# এ টি কে মোহন বগান মায় পাক্কুনা মকোক্তা লৈখ্রে, এস সী ইষ্ট বেঙ্গলসু মখোয়গী অহানবা মেটচ মায় পাকপা ঙমখ্রে

**4th Jan, Monday (47th Match)**
Chennaiyin FC
vs
Hyderabad FC
Time : 7:30 PM




এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় ২ লাম্হোক্তুনা বোল কাওরিবা ওরিষাগী শান্নরোয়

ফটোর্দা, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): এ টি কে মোহন বগাননা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু ২-০দা থোইদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্না-মেন্টকী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে। নৌনা শরুক য়ারক্লিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল লীগ অসিদা ওরিষা এফ সীবু থোইদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ফটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নহেরু ষ্টেদিয়মদা এ টি কে মোহন বগাননা নোর্থইষ্টয়ুনাইটেদএফসীবু ২-০দা থোইখিবনি। ঙসি অঙনবদা ভাস্কোদা গামাগী সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা ওরিষা এফ সীবু ৩-১দা থোইখি।

অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপগী ১২শুবা মিনটতা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী রাজু গেক্বাদনা লংলকপা য়াম্না শাংবা থ্রো ইন অমা টিমমেট এন্থোনি পিলকিংটননা হেদ তৌশিন্দুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি। টিম অনীমক লীগ অসিদা মমাংগী রাউন্দ ৭ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মেটচ অমত্তা মায় পাক্লদনা লাকখিবনি। অদুবু পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাবা ঙল্লবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা মায় পাকপগী লম্বেল অদু উবা হৌরকখি। শান্নবগী অহানবা হাফ য়ৌগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী মাটি ষ্টৈনমাননা পীরকপা বোল অমা জেকমাঘোমানা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ২-০দা ওরিষাবু মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী মণিপুর মচা হাওবম তোম্বগী মহুৎতা ৱাই সুরচন্দ্র শান্নবা চঙলকখি। শান্নবা মখা চথরকপদা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদগী এটেক অমা ফংখিবা অদু ফ্রী কিক্কী মওংদনি। বোল অদু জেরিনা কাওরকপদা টিমমেট জেকোব ট্রেটনা অতোপ্পা ইষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্দরশিংদগী ৱাংনা চোঙখৎতুনা হেদ তৌশিনবদা গোলকিপর অদুবুসু মায়থীবা পীরগা বোল অদু ক্রোস বারদা পাল্লগা পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে।

ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদা হন্দক্তা নৌনা সাইন তৌখিবা নাইজেরিয়া মচা ব্রাইট ইনোবাখরে ৭৩শুবা মিনটতা শান্নবা চঙলকখি। লোয়ননা টিম অদুগী অতোপ্পা মণিপুর মচা ৱাহেংবম লুৱাংনা মহমদ রফিককী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা চঙলকখি। মেটচকী ৮৮শুবা মিনটতা মণিপুর মচা ৱাই সুরচন্দ্রনা পীবা য়াম্না ফজবা পাস অমদা ব্রাইট ইনোবাখরেনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। শান্নবগী অরোইবা মিনট য়ৌশিল্লকপদা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদগী মেন্যুএল ওনৱুনা লোব তৌরকপা বোল অমা দিএগো মোরিসিওনা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু ইষ্ট বেঙ্গলনা ৩-১দা থোইখি।

ফর্টোদাদা শান্নখিবা ৪৬শুবা মেটচতা মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগান অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি। অদুবু শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা এ টি কে মোহন বগানগী রোই কৃষ্ণনা কোর্নর কিক্তগী ফংখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাঙজিল থাখিবা অদু ইকুই কুইদনা ৫৮শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্টকী কেপ্টেন বেঞ্জামিন লম্বোটকী মখোঙদগী খেৎলগা চঙখিবা বোলনা মেটচকী অরোইবা পাঞ্জল ওইরগা এ টি কে মোহন বগান মায় পাকখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK Mohun Bagan FC | 9 | 6 | 2 | 1 | 10 | 3 | 7 | 20 |
| 2 | Mumbai City FC | 8 | 6 | 1 | 1 | 13 | 3 | 10 | 19 |
| 3 | FC Goa | 9 | 4 | 2 | 3 | 12 | 10 | 2 | 14 |
| 4 | Jamshedpur | 9 | 3 | 4 | 2 | 10 | 9 | 1 | 13 |
| 5 | Bengaluru FC | 8 | 3 | 3 | 2 | 11 | 9 | 2 | 12 |
| 6 | Northeast United FC | 9 | 2 | 5 | 2 | 10 | 10 | 0 | 11 |
| 7 | Chennaiyin FC | 8 | 2 | 4 | 2 | 7 | 7 | 0 | 10 |
| 8 | Hyderabad FC | 8 | 2 | 3 | 3 | 7 | 10 | -3 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 8 | 1 | 3 | 4 | 8 | 13 | -5 | 6 |
| 10 | East Bengal Club | 8 | 1 | 3 | 4 | 8 | 14 | -6 | 6 |
| 11 | Odisha FC | 8 | 0 | 2 | 6 | 6 | 14 | -8 | 2 |

# রানী রামপালনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অর্জেন্টিনা টুরগীদমক খোঙশানখ্রে



ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা অর্জেন্টিনাগীদমক এয়রপোর্ট থাদোক্লমদায়

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন রানী রামপালনা লুচিংদুনা অর্জেন্টিনাদা ইন্টরনেসনল এক্সপোজর মেটচকীদমক ঙসি ন্যু দেল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী খোঙশানখ্রে।

চাওরাক্লা চহী ১ রোম ইন্টরনেস-নল মেটচ শান্নরুদ্রবা মতুং হৌজিক-হৌজিক নুপীগী হোক্কীগী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর টু টিম ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী টিমগা মেটচ ৪ শান্নগদৌরি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মনুংদা লোকদাউন লৈখিবা মরম্না ফিল্ডদা কুমদুনা শান্নবগী খূদোংচাবা মতম শাংনা ফংলুদ্রবা মতুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসিগা লোয়ননা নুপাগী টিমগসু অপূনবা রেসিদেন্সিএল ট্রেনিং কেম্প অমা বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা থা ২ রোম ট্রেনিং চথুদুনা লাকখিবনি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী এক্সপোজর টুর অসি শিনবা লোইরবা মতুং নুপাগী ওইনসু অতোপ্পা লৈবাকশিংগা পার্ড ফাওনদুনা এক্সপোজর টুর শেম্মনবা শেম শারি হায়না মমাংদা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

জন্যুৱারী ২৬তা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা ৱর্ল্ড নম্বর টুগী টিম অর্জেন্টিনাগা মেটচ ৪গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদু শান্নগদৌরি। অনীশুবা মেটচ অদু জন্যুৱারী ২৮দা শান্নগনি। লোয়ননা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা মেটচ অদুনা জন্যুৱারী ৩০ অমসুং ৩১দা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মেটচ মরি অসিগী মাংওইননা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র টিম অমদি অর্জেন্টিনাগী বি টিমগা মেটচ অমমম্সু শান্নগদৌরি। কেপ্টেন রানী রামপালনা দেল্লি থাদোক্লমদায়দা ফোঙদোকখিবদা ইন্টরনেসনল মেটচ শান্নবা ফংগদৌরিবা অসি য়াম্না হরাউই। হৌখিবা থা খরা অসিদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শেম শাদুনা লাকখিবা অদু ইন্টরনেসনল মেটচ অসিদা কদায় ফাওবা হৈথোই-শিংথোইরবগে হায়বদু উৎপা ঙল্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী অপূনবা কন্টিঞ্জেন্ট অদুনা ঙসি দেল্লি থাদোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা পুং ৭২গী মমাংদা কোভিদ-১৯গী আর টি- পি সী আর টেষ্ট তৌদুনা নেগেটিভ ওইরবা মতুং অর্জেন্টিনা য়ৌগদৌরিবনি। মফম অদুদা ক্বারন্টিনগী কাঙলোন লৈরোই। অদুবু বাইও বব্বল মনুংদা লৈগনি।

# রিয়াল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগো ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): স্পেনিশ ফুটবোলদা খ্বাইদগী মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগোবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্লব ২০না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

রিয়াল মাদ্রিদনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অলফ্রিদো দি ষ্টেফানোদা য়ূম্ব ওইরগা সেল্টা ভিগোগা লম্বা তৌনখি। মমাংগী মেটচতা রিয়াল মাদ্রিদ টুর্নামেন্ট অসিগী মমৈদা লৈবা এলচেগা ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩৩দা লৈখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায় পাকপদগী রিয়াল মাদ্রিদনা মেটচ ১৭ শান্নবদা পোইন্ট ৩৬ ফংলগা মাঙজিল থারি। অদুবু অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মেটচ ১৪খক শান্নবদা পোইন্ট ৩৫ ফংখিবা মরম্না ক্লব অসিনা ৱাৎলিবা মেটচ অহুম অদু শান্নরকপগী রিজল্টনা মকোক্তা শুংশোয় শোয়দনা অমুক লৈবা ঙম্বগী তাঞ্জা লৈরি।

সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদা ঙন্না এটেক চথরকখিবা রিয়াল মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিংনা শুপ্নগী মেটচকী ৬শুবা মিনটতা মার্কো এসেন্সিওনা পীরকপা বোল অমা লুকাস ভাস্কিজনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবনি। এসেন্সিওনা পীরকপা বোল অদু সেল্টা ভিগোগী দিফেন্দর অনীদগী হেন্না ৱাংনা চোঙখৎতুনা হেদ তৌশিনখিবদা পাঞ্জল অদু ওইখি।

সেল্টা ভিগোগী টিম অসি মমাংদা শান্নখিবা গেম ৬ মায়থীদনা লাকখিবনি। ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী পুংখায় হেল্লকপা মতম অদু রিয়াল মাদ্রিদনা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মখা তারকপা পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্মদনা লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ অহানবা পাঞ্জল চনবদা কম্বিনেসন ওইখিবা শান্নরোয় অনীমক্কী মায়কৈদগী অমুক্কা হন্না টিমগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল চনখিবা লুকাস ভাস্কিজনা শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা পীরকপা বোল অমা মার্কো এসেন্সিওনা পাঞ্জল ওন্থোকখিবনি। পাঞ্জল অনী শোথরবা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না শান্নখ্রবসু রিয়াল মাদ্রিদকী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী পাঞ্জল অদু নীংথিনা ঙাক শেনখিবদগী ২-০দা অদুম্মক মখোয়না থোইরগা হান্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

থা অসিগী ২দা শান্নখিবা মেটচ অমদা সেভিয়া অমসুং রিয়াল বেটিস পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। অদুগা রিয়াল ভলাদোলিদনা গেটাফেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি।

# অসাম রাইফলসনা হিংথম খুনৌদা ভোলিবোল টুর্নামেন্ট শীনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচএনএস): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক শীনবা থুংনা চথরিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী মনুং চন্না অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী হিংথম খুনৌ ভিলেজদা নোংমগী ওইবা ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

শান্নবগী মতেংনা হকচাং ফিট ওইনা লৈননবগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম অসাম রাইফলসনা ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অসি শীনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অদুদা অসাম রাইফলসকী টিম অমগা লোয়ননা পূন্না লোকল টিম ৬না শরুক য়ামিন্নখি। শান্নবগী পোৎলমশিং, অশোক-অপন য়েংনবা মচাকশিং অমদি চান-থক্লবসু টুর্নামেন্ট অদুদা অসাম রাইফলসনা তিনখিবা মীয়াম অদুদা য়েন্থোকখি। লোয়ননা মায় পাকপা টিম অদুদা শেলগী মনাসু পীখি হায়রি। মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা অসাম রাইফলসনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# অর্সনেলনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচপু থোইখ্রে, শেফিল্ড য়ুনাইটেদ খৃষ্টল পেলেসকী মখূৎতা মায়থীহৌরে

লন্দন, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা অর্সনেলনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা, শেফিল্ড য়ুনাইটেদ কৃষ্টল পেলেসকী মখূৎতা ০-২দা মায়থীহৌরে।

অর্সনেল অমসুং ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগী মেটচ অদু ১৭শুবা রাউন্দনি। অর্সনেল পোইন্ট ২০ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ পোইন্ট ৮ ফংলগা টিম ২০গী কম্বিনেসন অসিদা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

মেটচকী হৌরকপা ২৩শুবা মিনটতা অর্সনেলনা একাউন্ট হাংদোকপা হৌখি। রোক হোল্ডিংনা পীরকপা বোল অমদা কৈরান টিয়র্নিনা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তারকপা মিনট ৫ খক্তা ঙাইরিঙৈদা অর্সনেলগী মায়কৈদগী বুকাইয়ো সকানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু ইমিল স্মিথ রোনা পীরকপা বোলদগী ওইখিবনি। অহানবা হাফ ২-০দা অর্সনেলনা হেল্লগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগী শান্নরোয়শিং বোল পায়বগী চাং হেনগৎপা ঙমখি। অর্সনেলনা খুদুম চন্দুনা অদুম্মক লৈখি। মেটচকী ৬০শুবা মিনটতা অর্সনেলগী অলেকজেন্দর লকাজেটনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কৈরান টিয়র্নিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ৩শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অলেকজেন্দর লকাজেটনা ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওন পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবা মেটচ অদু মায়থীখি। অর্সনেলনা মায় পাকপা অদুদগী পোইন্ট ৩ হাপচিন্দুনা অপূনবা পোইন্ট ২৩ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা ১১শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

থা অসিগী ২দা শান্নখিবা অতোপ্পা ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মেটচ অমফাওবা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা কৃষ্টল পেলেসনা পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ খক্তা ঙাইরিঙৈদা খৃষ্টল পেলেসকী মায়কৈদগী জেফ্রি স্কলুপনা ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

শেফিল্ড য়ুনাইটেদপু কৃষ্টল পেলেসনা হীরম অয়াম্বদা খুদুম চন্দুনা শান্নরবসু মখা তাবা পাঞ্জল কুইনা ফংখিদে। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা কৃষ্টল পেলেসকী জেমস মেক অর্থরনা পীরকপা বোলদা ইবেরেজি ইজেনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু ২-০দা থোইখি।

# মোমোটা কোভিদ পোজিটিভ ওইবদগী থাইলেন্দ ওপন য়াওররোই



টোকিও, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): নুপাগী বেদমিন্টনগী নম্বর ৱান শান্নরোয় কেন্টো মোমোটা ঙসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা য়াওররোই।

জপান বেদমিন্টন এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা কেন্টো মোমোটা পোজিটিভ ওইরকপদগী থা অসিদা পাঙথোক্লদৌরিবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয়শিং অদুসু ৱিদ্রো তৌরগনি হায়রি। চহী ১ রোম হেন্না ইন্টরনেসনল মেটচশিং কার এক্সিদেন্টতা শোকপদগী শান্নরুদ্রবা কেন্টো মোমোটা থাইলেন্দ ওপন টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াননবা শেম শারম্বনি।

জপানগী নেসনল ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না ঙসি থাইলেন্দগীদমক্তা জপানগী বেদমিন্টন টিম অদু নারিতা এয়রপোর্টতা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মশাগী চহী ২৬ শুরবা কেন্টো মোমোটা খক্তমক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি ওইখিদবনি। অদুবু জপান বেদমিন্টন এসোসিএসননা টিম অদু থাইলেন্দদা থাদনবা ৱারেপ লৌখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাংগী চয়োলদা পাঙথোকখিবা ওল জপান বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা মোমোটানা টাইটল লৌবা ঙমখি। মমাং চহীগী জন্যুৱারী থাদা এক্সিদেন্ট থোকখ্রবা মতুং হন্দক্কী অদুনা মহাক্কী অহানবা টুর্নামেন্টনি।

# ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক শুটিং টিম অফবা মওংদা শেম শাদুনা লৈরি হায়না হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ দিপালিনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক শুটিং টিম অফবা মওংদা শেম শাদুনা লৈরি হায়না টিম অসিগী হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ দিপালি দেশপান্দেনা ফোঙদোকখ্রে।

শুটরশিং অসি কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা দেল্লিগী টুগ্লকবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জতা মীদিয়াদগী থাপতোক্তুনা য়াম্না ঈংনা ট্রেনিং সেসন অনীরক হৌখিবা থা খরা অসিদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)না মমাংগী থাদা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না থা অসিগী ৬তগী ১৮ ফাওবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জতা রাইফল অমসুং পিষ্টোল শুটরশিংগী ওইবা সেলেক্সন ট্রাইয়ল অনী পাঙথোক্কদৌরি। সেলেক্সন ট্রাইয়ল অসিগী মতুং ফেব্রুৱারী থাদা ট্রেনিং কেম্প অনীরক পাঙথোক্লবা মতুং মদুদগী দেল্লিনা য়ূম্ব ওইরগা দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা শুটিং ৱর্ল্ড কপ অমসুং কোরিয়াদা পাঙথোক্কদবা শুটিং ৱর্ল্ড কপকীদমক্তা শুটরশিং অদু খনগদৌরিবনি।



হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ দিপালি দেশপান্দো (ময়াই)

সেলেক্সন অদু মমাং চহীগী মার্চ থা ফাওবদা লৈখিবা এভরেজ স্কোর অদুনা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না এন আর এ আইনা মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি। এন আর এ আইনা অপূনবা শুটর ২০০ রোম ট্রাইয়ল অদুদা শরুক য়াননবা লাউথোকখি।

হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ দিপালি দেশপান্দেনা মখা তানা ফোঙ-দোকখিবদা, ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইরবা ট্রেনিং ফংলিবা শুটরশিংনা কম্পিটিসনদা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবা অদু উৎপগী তাঞ্জা অমা লাক্লগনি।

পনবা য়াবদি, ওনলাইনগী খূথাংদা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর-নেসনল ইভেন্ট কয়াসু লোকদাউন মনুংদা পাঙথোকপা লৈখ্রবনি। শুটরশিং অসি মখূৎ-মশা শিংননবা তুমিন্না লৈহনবা য়াদে হায়বা ৱাফমসু থমখি। মমাং চহীদা ওলিম্পিককী টিম খন্ননবা শেম শারম্বা অদু কোভিদ-১৯না য়ৈথোকখ্রবনি। ওলিম্পিক গেমস য়ৌদ্রিবা ফাওবা চাং নাইনা কোচিং কেম্প অমদি কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্কদবনি হায়না দিপালিনা মখা তাখি। জন্যুৱারী থা অমদি ফেব্রুৱারী থাদা ট্রাইয়ল ২/২ পাঙথোক্তুনা পূন্না ট্রাইয়ল মরি অসিনা শুটরশিং অসিগী ফীভম কদায় ফাওবদা লৈরবগে হায়বদু খঙদোকপা ঙমগনি। মিক্স ইভেন্ট অমসুং রাইফল-৩ পোজিসন য়াওরকপনা ইভেন্ট অমদা শুটর ৫ লৈগদৌরি।

# শোকপদগী ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন থাইলেন্দগী ইভেন্ট ২ য়াওররোই

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নৌনা ইন্টরনেসনল এরেনাদা নহা ওইনা মমিং লৈরক্লিবা বেদমিন্টন শান্নরোয় লক্ষ্য সেন থা অসিদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল ইভেন্ট অনীদা শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা অদু ট্রেনিং তৌবদা মখ্বাঙদা ষ্ট্রেন তৌখিবদগী শরুক য়াররোই।

মশাগী চহী ১৯দা ঙাইরিবা লক্ষ্য সেননা কুমজা ২০১৯দা সিনিয়র সর্ক্যুইটতা খোঙদোরকপদা টাইটল মঙা লৌবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড টুর সুপর ১০০ টুর্নামেন্ট অনীগী টাইটল য়াওখি। মখোয়শিং অদুদি দটচ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমসুং সার্লোরলুক্স ওপন টুর্নামেন্টসু য়াওখি।

পি পি বি এগী দিরেক্টর অমসুং মমাংদা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন কোচ ওইরম্লবা বিমল কুমারনা পাউগী এজেন্সীদা ফোঙদোরকপা ৱাফমগী মতুংইন্না লক্ষ্য সেন ট্রেনিং চথরিঙৈ মনুংদা মখ্বাঙদা খরা শোকখিবনি।




ফিজিসিয়ননা মহাকপু পোত্থানবা পাউতাক পীরকপা মরম্না থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেসনল ইভেন্ট অনী শরুক য়ারোইদৌরিবনি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা লক্ষ্য সেন সিলভর মেদল ফংখিবনি। হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা লক্ষ্য সেননা দেনমার্ক ওপনদা শরুক য়াবা ঙমখি। মদুগী মতুং সার্লোলুক্স ওপন দিফেন্দ তৌননবা হোৎনবদা মহাক্কী মপা অমসুং কোচ কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

# ইন্টরনা ক্রোটোনবু ৬-২দা থোইদুনা এ সী মিলানদগী হাইগৎলগা মকোক থোংবা ঙমখ্রে

রোম, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): রোমগী গুইসেপ মিজা ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্টরনা ক্রোটোনবু য়াম্না হেনবা মওংদা ৬-২দা থোইদুনা এ সী মিলানদগী হাইগৎলগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুদা ইন্টরগী মায়কৈদগী লোটারো মার্টিনেজনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা ক্রোটোনগী মায়কৈদগী জুনিয়র মিসায়ানা পীরকপা বোলদা নিকোলো জানেলাটোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইন্টরবু মখোয়না মাঙজিল থাখি।

ইন্টরগী মায়কৈদগী রোমেলু লুকাকুনা পীরকখিবা বোল অমদা লোটারো মার্টিনেজনা মহাক্কী হেটট্রিককী অহানবা পাঞ্জল ২০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মিনট ১১ লৈরগা ইন্টরগী মখা তাবা এটেক অমদা লুকা মারোননা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা ক্রোটোনবু ২-১দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মিনট ৫গী মনুংদা ক্রোটোনগী মায়কৈদগী ভ্লাদিমির গোলেমিকনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা হাফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা মার্সেলো ব্রোজোবিচনা পীরকপা বোলদা মার্টিনেজনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

৬৪শুবা মিনটতা ইন্টরগী অলিজান্দ্রো ভাষ্টোনিনা পীরকপা বোল অমা রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল চন্দুনা ক্রোটোনবু মখোয়না ৪-২দা মাঙজিল থারগা লৈখি। ৭৮শুবা মিনটতা লোটারো মার্টিনেজনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু চন্দুনা ৫-২দা স্কোর অদু লৈখি। অদুগা ৮৭শুবা মিনটতা অশ্রফ হাকিমিনা ৬শুবা পাঞ্জল চনখি।

# সৌরভ গঙ্গুলি কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইখ্রে, মশা ফগৎলক্লি



কোলকাটা, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরভ গঙ্গুলি ঙরাং হার্ট এটেক তৌরকপদগী হোস্পিটালদা লায়েংলিবনি। মদুদা মহাক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রে। লোয়ননা মহাক্কী ফীভম ফগৎলক্লি হায়না হোস্পিটালগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোলকাটাদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা মশাগী চহী ৪৮ শুরবা সৌরভ গঙ্গুলি থবাক্তা নারকপা অমদি মকোক ঙাওরকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎপদা হার্ট এটেক মচা অমা লৈখিবদগী এঞ্জিওপ্লাষ্টি (ফুল্লম্বা শিংলি শেংদোকপা) চথুদুনা হোস্পিটাল অদুদা লৈরকখিবনি। ঙসি অয়ুক মহাক ব্রেকফাষ্ট অমদি চা থকপা ঙমখি। লোয়ননা মহাক ফিভর লৈরম্বা হন্থখ্রে। অদুগা অতোপ্পা পেরামিটরশিং টেষ্ট তৌবদা নোর্মেলদা লৈরি হায়না মহাকপু লায়েংলিবা টিম অদুগী মকোক ওইরিবা ডা. সরোজ মোন্দলনা ফোঙদোকখি।

# রাসেনবোলস্পোর্টনা ভি এফ বি ষ্টুটগার্ট মায়থীবা পীদুনা বুন্দেসলিগাগী টেবল লুচিংবা ঙমখ্রে

বর্লিন, জন্যুৱারী ০৩(এজেন্সী): বর্লিন সিটিদা লৈবা মর্সিদিজ বেঞ্জ এরেনাদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বুন্দেসলিগাগী ১৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগনা ভি এফ বি ষ্টুটগার্টপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা পূন্না পোইন্ট ৩১ ফংবগা লোয়ননা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মেটচকী হৌরকপা ২৩ শুবা মিনটতা রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী চঙশিল্লকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি ফংখি। অদুবু পাঞ্জল ওইরম্লবা য়াবা খূদোংচাবা অদু ইমিল ফোর্সবর্গনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী স্কোর বোর্দ অদুদা পাঞ্জল লৈখিদে। অহানবা হাফ টিম অনীমক মখা তানা লম্বা মান্নরকপা মরম্না পাঞ্জল হাপচিনবগী খূদোংচাবা লৈতনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী লম্বাদা রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং চুংশিন্নবা হেল্লকপগী মশীং য়ামখৎলকখি। ৬৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী দানিএল ওলমোনা পাঞ্জল চল্লগা মাঙজিল থারগা লৈখি।

হান্না রাউন্দ ১৩ লোইশিল্লকপদা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগ পোইন্ট ২৮ ফংলগা বেয়র লেবরকুসেনদগী হন্থদুনা অহুমশুবদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ভি এফ বি ষ্টুটগার্ট পোইন্ট ১৮ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখি। মেটচকী লেমহৌবা মতম মিনট ২৩ অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী রাসেনবোলস্পোর্টনা ১-০দা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩১ ফংলগা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা রাউন্দ ১৩ শান্নবদা ঙাইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকতগী পোইন্ট ১ হেল্লগা মাঙজিল থাবা ঙল্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com